# মীবু মীনা ওৎতবা নুপীদা ওৎ নৈদবা খুন্নাই অমা ওইহনসি : ডা. এম নরা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএন এস): মীনা মীবু ওৎতবা, নুপীদা ওৎ নৈদবা খুন্নাই অমা ওইহনবা হায়বসি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পান্বা ৰাখল্লোন্নি হায়না সী পি আই নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমদি আই সী সী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবট সেলেব্রেসন কম্মিটি, থোংজু লোকেল কাউন্সিল, সী পি আই বাশিখোঙ ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ১২৩শুবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগা ইরোইননা ইরাবত থাবুম পালনগী শরুক অমা ওইনা ইরাবত নিংশিং থৌরম ঙসি বাশিখোঙ মখা লৈকাই নিঙোম্বম জাতিশ্বরগী য়ুমদা পাঙথোকখিবদা ডা. নরানা মখা তানা হায়, ইরাবতকী পুন্সি অমদি মাগী ৰাখল্লোন অসি ঙসিগী মীরোলনা নৈনবা য়াম্না মথৌ তারি।

ঙসি খুন্নাই অসিদা ওৎপি নৈবীবগী থবক কয়া চথুরি। মাগী পুন্সিগী মরমদা থাবুম অমা নৈনবা য়াম্না মরু ওই। মাগী ৰাখল্লোন অসি ঐখোয়না থবক ওইনা পাঙথোকপা মতম ওইরে হায়রি। ইরাবতনা নুপী লানগী মতেং পাংলুবদগী মহাকপু ফারগা জেলদা থমখি। ইরাবতনা জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা জেল মনুংদা লৈরম্বা বোন্দিশিং পুখমদা চাক পীজরমদে লৈবাক তৌরগা কোম মনুংদা লা থারগা চাক পীজরম্মী। কাং চিকপা মতমদা কাংখল পীরমদে। বন্দিশিং থাও শুংবগী কুলুনচিংবা শুমহল্লম্মি।

বন্দিশিং থাওগী কুলু শুংবা অদু ইরাবটনা তোকহনখি। মতুংদা ইরাবত ইম্ফাল জেলদগী অমুকপুরগা সেনিৎকী জেলদা থমখি। মফম অদুদা অফাওবা শৈশকপা হিমাম বিশ্বত্তো ইরাবতকা থেংনখি হায়রি। মীবু মীনা ওৎ নৈদবা, নুপী ওৎ নৈদবা খুন্নাই অমা ওইহনবনি ইরাবতকী ৰাখল্লোন্দি। কেরিগীনো হায়বদা মচা-মশুশিংগী কুম্মহৈ য়েংদুনা লৈনিংবনি। মশা নারগসু শিনিংদবনা ডোক্তরদা লায়েংবা চৎনরিবনি। অদুবু করপসন, যুমগী মৌশিংগী ৰাঙাং-শাঙাং, লম্বী চৎপদা গাড়ি কন্না-কন্না থৌবা মী-মীগা নুংশিনরক্তবা অহল-লমনশিংদা থক-খা নাইরক্তবা অসি পূন্বা ইরাবটনা য়ারমদে। পুন্সিবু-পুন্সিনা ইকাই খুন্নদবা য়াদে হায়খি।

থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা ৰাখল্লোন অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না ফংনবা হোৎনবা তাই। মহাক্কী পুন্সিগী মরমদা থাবুম অমা চুপ্না পালন পাঙথোক্লিবনি। ঙসি বি জে পিনা পায়খৎলিবসি ইন্দিয়া অসি ৰান নেসন ৰান রিলিজন চৎনগনি হায়বা অসি লময়ানবা ইরাবতনা য়ারমদবনি। সী এ বিগী বিল ফাওবা হৌজিক নাখৈ শেংদনা সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা নমশিন্দুনা লৈরিবনি। পুর্বাঞ্চল ষ্টেট শেম্নবা হোৎনবা ইরাবতনা য়ারমদে। মণিপুরগী লম কয়া হৌজিক মাংলি। বোর্দর পিলরগী ইশ্যু হৌজিক লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। কোংগ্রেস অমদি বি জে পি পার্টি শেঞ্জাও পায়বা পার্টিশিংনি হায়রি।

থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সী পি আই নুপী মরুপকী ভি পি নিঙোম্বম নিঙোল কে দেবোতা অমদি বাশিখোং তোর্ব্বনদগী অহল ইবুংঙো মাইমোম শ্যামনা দেজ মেম্বর ওইনা ফমখি।

# লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): লিগেল এইদ ক্লিনিক নুংব্রাং অৱাং লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্টতা ঙরাং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা স্পোন্সর তৌদুনা অমদি লিগেল এইদ ক্লিনিক নুংব্রাং অমদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং আই দি এফ সী ফার্ষ্ট বেঙ্কনা পুন্না ওর্গনাইসদ তৌদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুগী মনুং চন্না বেনিফিসরি ওপনিং ন্যু সেভিং বেঙ্ক একাউন্ট ৱিথ ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর প্রধান মন্ত্রি জিভন জ্যোটি বিমা য়োজনা (পি এম জে জে বি ৱাই), অটল পেন্সন য়োজনা (এ পি ৱাই) এন্দ প্রধান মন্ত্রি শুরক্সা বিমা য়োজনা (পি এম এস বি ৱাই)গী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি।

হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা ৱারোকপম নিরোজিৎ সেক্রেটরি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্ট, বি সুপ্রিয়া এদভোকেট, দেভবরতা মাঙ্গাতাবম এসিস্টেন্ট মেনেজর আই দি এফ সী ফার্ষ্ট বেঙ্ক মণিপুর, নিতিশ কুমার প্রসাদ রিলেসনশিপ ওফিসর আই দি এফ সী ফার্ষ্ট বেঙ্ক অমসুং কোন্থৌজম তেন্দেনবা মীতৈ কো-ওর্দিনেটর লিগেল এদ ক্লিনিক নুংব্রং ইম্ফাল ইষ্টনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা দেজতা ফমখি।

রিসোর্স পার্সন বি সুপ্রিয়া এদভোকেটনা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী মরমদা, নিতিশ কুমার প্রসাদ রিলেসনশিপ ওফিসর আই দি এফ সী ফার্ষ্ট বেঙ্ক মণিপুরনা আই দি এফ সী ফার্ষ্ট বেঙ্ক মাইক্রো এ টি এমনা পীবা খুদোংচাবগী মরমদা অমদি কোন্থৌজম অরুন লৈমা পি এল ভি কম বি সীনা পি এম জে জে বি ৱাই, এ পি ৱাই অমসুং পি এম এস বি ৱাই স্কিমগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

# অমুকোগী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক...

*লামায় ১গী মখা...* অমুকোগী চ্যেরমেন ইতো তোংব্রম, এদভাইজর ডা. ৱাই মনি খুমন, এম সী খুমন, এন শ্যামসুন্দর, য়াংসোসো কোইরেং, এল রঞ্জিৎ, দল্লিয়ু গুনেন্দ্রো অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

ইতো তোংব্রমনা লুচিংদুনা থৌ পুগদবশিংদা ৱাশক ৱারোল পীরদুনা হায়খি, লূপ অসিগী থৌ পুরিঙৈদা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা য়াওরোই। মতম লৈবা খিবিক্তা ওর্গনাইজেসন অসিগী চৎন-কাঙলোন অমদি কলেক্টিভ দিসিপ্লিন ঙাক্কনি। ইশাগী ওইবা ৱাফমদগী লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ৱাফম্না হেন্না লুম্না লৌগনি। কাঙলুপ নাইবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা অপীকপা ৱাখলগী থবক অমত্তা তৌরোই। লূপকী ওইবা হায়দোকফদ্রবা অরোন-অথুপশিং ঙাক্লা চৎকনি হায়বা ৱাশকসু লৌমিন্নখি।

নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা পি ঐচ নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্টতা এস সঞ্জয়, টি গান্ধী, কে হেলেন, শরত গোলমৈ, এন সী মোধুচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরিদা লাইশ্রম থোই, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা ৱাই রনবির, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা এস জেমস কুমার, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা ইরোম ব্রোজেন য়াওনা মেম্বর ২৭ পুন্না ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ দেবাননা ফোঙদোকখিবদা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্না খুন্নাইগীদমক থেংনগদৌরিবা অসি অরাইবা নত্তে। অপীকপা ৱাখল থাদোকসি। ইশাগী ওইবা ৱাখল কথোক্লগা হোৎনমিন্নসি। নোর্থ ইষ্টকী ওইবা পুনশিন্ননবা হোৎনবা লৈরি। চীং-তম হায়বা লৈতনা ইরৈবাক ঙাকমিন্ননবা চঙশিনসি। কুমজা ১৯৯৩ গী ফেব্রুৱারী ১৩ দগী ঙসি ফাওবা থবক থৌরম কয়া পুদুনা লাক্লি। মীনাই ওইবা কোক্লবা হোৎনবা লেপত্রি। পাবুং ইবোয়াইমা অমদি ওজা সনাজাওবনা লৈখিদবদা ঙসি ফাওবা মেনশিনবা ঙমদনা লৈরক্লি। লৈবাক্কীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি। অমুকোগী থৌ পুদ্রে হায়দুনা তুমীন্না লৈশিনগদবা নত্তে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এন সী খুমননা ফোঙদোকখিবদা, অহল-লমনশিংবু ঈকায় খুম্নবা অমদি মখোয়গী পাউতাক লৌবা তঙাইফদে। ইরমদমগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নৌনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগদবা নন্দো লুৱাংনা হায়খি, অমুকোনা ঙসি ফাওবা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী লম অমদি অপূনবা শক্তম লিশাং শিংনা কন্দুনা লাক্লি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপদা অমুকোনা থেংনদুনা লাক্লি। ঙসিসু অদুম্মক থেংনখিগনি। মীয়াম পুন্না নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরবদি অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়হন্দবা ঙমগনি। সিটিজন্সিপকী ৱাফম লাক্লি। মীতোপ মীয়ানচাগী ঈহৌ লাক্লি। ৱান নেসন ৱান লেংগ্বেজ হায়বা অমসু লাক্লিবা অসিদা তুমীন্না লৈরোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদসু থেংনদুনা লাক্লি। মসিদা য়াগদবা নত্তে, থেংনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# মোরেদা আই ই দি অমা ফংলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএন এস): ইন্দো ম্যান্মারগী বোর্দর এরিয়াদা ৪৩শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা থি-হুম্বা চথবদা ঈশিং চিংনবা তুলুদা হাপ্লগা পুরকপা আই ই দি অমা ফংলে হায়রি।

ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ৪৩শুবা অসাম রাইফলসনা ইন্দো ম্যান্মারগী বোর্দর এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা ম্যান্মাররোমদগী মোরেরোমদা নুপা অমা কেনবো বাইক থৌদুনা লাকখি। মহাক্লা গাড়ি অদুদা ঈশিং চিংনবা তুলু অমসু হাপ্তুনা পুরকখি। মফম অদুদা অসাম রাইফলস পর্সনল উবদগী মহাক্লা পুরকপা তুলু অদু হুন্দোকলমলগা গাড়ি অদু ম্যান্মাররোমদা হল্লগা থৌখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা মহাক্লা পুরকপা তুলু অদু চিংনবদগী হাংদোক্লগা য়েংলুবদা কেজি ২ লুম্বা আই ই দি অমা য়াওরমখি। আই ই দি অদু বোমগী স্কৱাদনা ঙরাং অয়ুক লৌখৎলগা পাকখায়হনখ্রে হায়রি।

# সোসল সর্ভিস

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ক্যা কল্লা স্কিমগী মখাদা হয়েং রিমসকী টাইপ টু (বি) অমদি টাইপ ফাইভ ক্বার্টরগী অকোয়বদা সোসল সর্ভিস কেম্প পাঙথোক্কনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। সী আর ঈ দিগা খুৎশম্নদুনা সোসল সর্ভিস কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি। সী আর ঈ দিগী পর্সনেল ৩০ সু টিম অসিদা শরুক য়াগনি। সোসল সর্ভিস কেম্প অসি অয়ুক পুং ৫.৩০ দগী অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# নিংথৌজম অনিতাবু...

*লামায় ১গী মখা...* নিংথৌজম অনিতা ইরমদম অসিগী নিংঙোল্লক্তগী 'মথৌনা ফবী নিংঙোল' হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহাকপু ঐখোয়না ইরমদম অসিগী মহৌশাগী খল তেক্তা-কায়দনা থম্নবগী পান্দমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নিংঙোলনি হায়বদা অৱাৎপা লৈররোই। রেদিয়ন্ট গ্রুপকী মায়কৈদগী নিংথৌজম অনিতাগী পুন্সিদা অনা-অয়েক য়াওদবা নুংঙাই য়াইফবা মীশক অমা ওইনবা তাইবং শেন্বা মপূগী মফমদসু থৌনীজরি। রেদিয়ন্ট ঈ-গ্রুপকী য়ুনিট অমা ওইরিবা রেদিয়ন্ট ঈ-রাইদ অমদি গ্রীন মণিপুর কেম্প্যেনগী মখাদা চথুরকপা ঈ-ভেহিকলগী সর্ভিস ষ্টেটকী খুদোংচাবা মখা তানা ফংহঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'প্লাষ্টিক চাইথোক্তুনা থম্বা অমদি মৈ থাবা তোক্লসি'

ককচিং, সেপ্টেম্বর ২৭: দিষ্ট্রিক্ট ৱাতর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি ককচিংনা হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়টকা খুৎশম্নদুনা 'স্বাছতা হি সেভা' গী মখাদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা তোক্লসি হায়বা পাউজেল পীবা লমশাং লমজেল অমা অমসুং অশংবা মালেম অমা পুরক্লসি হায়বা পান্দমদা উ-চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা গ্রিন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এমবসেদর ভেলেন্তিনা এলাংবমনা ফোঙদোকখিবদা প্লাষ্টিকনা ঐখোয় মীওইবদা পীরক্কদবা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা প্লাষ্টিক চাইথোক্তুনা থম্বা অমদি মৈ থাবা তোক্লসি। প্লাষ্টিক নিংথিনা পৈশিন্দুনা থল্লগা মফম চানা শিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ভেলেন্তিনানা মখা তারদুনা হায়, উমং কোকথোকপনা অইং-অশাগী খল কাইথারকপা, নোং চুদাবা মতমদা চুদবনা হন্দক লৌ উবা য়াদবা কয়া থোকপা অমদি নোং চুরোইদবা মতমদা চুরকপা কয়া থোকপনা মীওইবা ঐখোয়দা চৈথেং কয়া পীরি। অসিগুম্বা চৈথেং কয়া অসিদগী কোকনবা উ থারসি পূমশং শংলবা মণিপুর অমা পূরক্লবা হোৎনরসি হায়না ফোঙদোকখি। স্বাছতা হি সেভাগী সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা তোক্লসি, প্লাষ্টিক মৈ থাবা তোক্লসি, প্লাষ্টিক মফম চানা পৈশিন্দুনা থল্লসি হায়বা পাউজেল পুবা লমশাং লমজেল অদু হিয়াংলম ৱাবগাই লমখায় কৈথেলদগী হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এলাংবম শক্তিবলানা ফীরাল হায়দুনা লমথখি। লমজেল অদুদা মণিপুরগী সী এমগী গ্রিন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এমবসেদর ভেলেন্তিনা এলাংবমসু শরুক য়াখি। লমজেল অদুদা হিয়াংলম হিরানমৈদা লমথুংলবা মতুংদা মফম অদুদা উ চারাশিং থাখি।

থৌরমগা মরী লৈননা দোরেন্দ্র রাজকুমার এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র পি ঐচ ই দি ককচিংনা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়, সেপ্টেম্বর ১১দগী ওক্তোবর ২ ফাওবা চথুগদবা স্বাছতা হি সেভাগী প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পি ঐচ ই দি ককচিংগী মখাদা ৱাতর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি ককচিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়টকা খুৎশম্নদুনা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরু ওইনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা তোক্লসি, প্লাষ্টিক মৈ থাবনা হকচাংদা শোকহল্লিবা কয়াদগী কন্নবা প্লাষ্টিক মফম চানা পৈশিন্দুনা থল্লগা মফম চানা শিন্নরসি হায়বগী এৱ্যের্নেসশিং পীদুনা লাকপগী মনুং চন্না ঙসিগী লমশাং লমজেল অমসুং উ-চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পি ঐচ ই দি ককচিংগী এসিস্টেন্ট এঞ্জিনিয়র কে রোশন অমসুং হিয়াংলমগী গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

# সী এ বিগী মায়োক্তা ওক্টোবর ৩দগী...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্দিজিনস মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা এন দি এ লৈঙাক অসিনা নমদুনা পাস তৌগনি হায়রিবা সী এ বিগী মায়োক্তা অমদি ৱান নেসন ৱান লেংগ্বেজ ইস্যু অসিগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিনবগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। লাক্লিবা ওক্টোবর ৩দগী হৌনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট পুম্নমক্তা সী এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর থাদগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থা ফাওবা মেনপেকনা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা সী এ বি পাস তৌবা য়ারোই। মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট পুম্নমক্তা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বগী অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা মেনপেককী মীওই ১২না শাবা টিম অমনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৭ শীনবা থুংনা চৎতুনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা নেফিপ শেমখিবনি। নেফিপকী ওইনদি হৌখিবা ওগষ্ট ৯দা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৭মক্লা মাগী-মাগী ষ্টেটকী গভর্ণরগী খূথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা এদ্রেস তৌবা মেমোরেন্দম অমমম্ পীশিনখ্রবনি। অদুবু মখা তানা রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তবদগী মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্ননবা ৱারেপ লৌরকপনি। মণিপুরগী ওইনসু মেনপেকনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা পুম্নমক্লা মপূং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা নেফিপকী কনভিনর নিংথৌজা লানচানা হায়খি, মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা নমদুনা সী এ বি পাস তৌনবা নৎত্রগা বিল অসি চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবদি য়ু এন ওদা খূৎ থিংজিনবীনবা ৱাকৎলগনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা নেফিপনসু ৱারেপ লৌরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# পূক্নিং ৱাখলগী অনাবদগী সুইসাইদকী ৱাখল্লোন পোক্লকপা...

*লামায় ১গী মখা...* তাই। কনাগুম্বা মীওই অমনা ৱাখল পূক্নিং হন্থরকপগী মওং থেংনরবদি নীংথিনা এদভাইস পীবীদুনা ৱাখল নুংঙাইহন্নবা অমদি অফবা ৱাখল্লোন খলহন্নবা হোৎনগদবনি। হিরমসিদা এৱ্যের্নেস পীবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্ঠ প্রোগ্রাম, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. মেরি হাওবমনা হায়খি, মালেমগী ওইনা ষ্টদি রিপোর্টকী মতুংইন্না সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংবা চহী তাঙ্কক অসি চহী ১৫ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা অয়াম্বা ওইরম্মী। হৌজিক্তি অমুক অহোংবা খরা লাকপগা লোয়ননা সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংবা চহী তাঙ্কক অসি চহী ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা ওইরি। নহা ওইবা ইনখৎলকপা মতমদা অসিগুম্বগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিনবা য়াম্না তঙাইফদে। ৱাখলগী অনাবা অমা লাকপা মতমদা মতম চানা লায়েংবীবা চঙই। কনাগুম্বা মীওই অমনা অয়াম্বা মতমদা মথন্তা লৈরক্লবা নৎত্রগা করিগুম্বা মতমদা শিনিংই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা য়াওরক্লবদি মহাকপু চেকশিন্না লোয়নবীগদবনি। মহাক্কী নুংঙাইতবশিংদু হংবীবগা লোয়ননা নুংঙাইবা পুন্সি অমদা লাকহন্নবা এদভাইস পীবীগদবনি। সুইসাইদ প্রিভেন্সনদা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাউই। হকচাং ফবা হায়বসিদা পূক্নিং ৱাখল ফনা লৈবসু য়াম্না তঙাইফদে। হকচাং অমদি পূক্নিং ৱাখল ফনা লৈরবদি পুন্সিদা থেংনরকপা খুদোংচাদবা কয়া মায়োং য়াবা ঙম্মী। কনাগুম্বশিংনা করিগুম্বা অৱাবা অমা থেংনবদা নিংহন্নবগী ৱাখল্লোন পোক্লোইদবনি। পুন্সিদা মায় পাকপা পুরক্লবগী মায়কৈদা চঙশিনবা তাই। হিরমসিগী মতাংদা মতম চানা এৱ্যের্নেস পীবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আই পি এসকী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল অসেম কেনেদিনা হায়খি, ৱাখলদগী থবকশিং থোরকই। অফবা ৱাখল খল্লবদি অফবা থবক তৌরক্কনি। হকচাং ফনা অমদি পূক্নিং ৱাখল ফনা লৈরবদি অফবা ৱাখলশিং থোরক্কনি। ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মশা-মউ ফনা লৈবা তাই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সাইকিয়াট্রিক সোসল ৱার্কর সুরজকুমার অমদি ডা. কে ঐচ ইমোবসু ৱা ঙাংখি।

# লন্ধোনি, রোমিতানা সেসন্স জজদা...

*লামায় ১গী মখা...* প্রোজিক্যুটরগী আর্গ্যুমেন্টশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা বেল প্রেয়র অসি সর্বোদিনেট কোর্টতা ফাইল তৌরুনবা দিরেক্সন পীরকখিবনি। হায় কোর্টকী দিরেক্সন অসিদগী ঙসি নুংথিল কোর্ট অৱর লোইদ্রিঙৈদা মখোয় অনীনা এপ্লিকান্টশিং ওইদুনা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা বেল পীবীনবা এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌখ্রে। কোর্ট অসিনসু বেল এপ্লিকেসন অনীমক এদমিট তৌদুনা লৌখিবগা লোয়ননা এপ্লিকেসন অনী অসিগা মরী লৈনবা হিয়রিংশিং পাঙথোক্লবগীদমক মথং থাগী ৪ ফাওবদা বেল ওবজেক্সন রিপোর্ট পীরক্লবা পুলিসতা খঙহনখ্রে।

মখোয় অনীনা মমাং থাগী ৩গী নুংথিলদা মশা-মশা লাক্তুনা চঙজরবদগী পুলিসনা ফাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সেসন্স কোর্ট অসিদগী এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেলশিং পীবীনবা হায়জরকখ্রবনি। অদুবু বেল এপ্লিকেসনশিং অদুগী হিয়রিংগী ওর্দর কোর্ট অসিনা মমাং থাগী ১দা লাউথোকখিবদা বেল এপ্লিকেসন অনীমক রিজেক্ট তৌখিবনি।

মসিগী মতুংদা হৌখিবা জুলাই ১৮গী অয়ুক অঙনবদা স্কুল অসিগী মহৈরোয় নিংথৌজম বেবিসনানা থৌরী য়ানবনি হায়দুনা গার্লস হোষ্টেলদা শিদুনা লৈরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা মখোয় অনী ফাখিবনি। পুলিস কষ্টদিদা নুমীৎ হুম্নি থল্লম্লগা মমাং থাগী ৬তগী ঙসি ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থল্লকখিবনি। মখোয় অনীনা কেস অসিদগী বেল পীবীনবা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা হায়জরকপসু লৈখ্রে। অদুবু রিজেক্ট তৌখিবদগী অমুক হন্না হায়জরক্লগা হিয়রিং চথুবা হৌরুরবনি। অদুম ওইনমক কোর্ট অসিদগী রিথদ্রো তৌরগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চৎখিবনি।

অমরোমদা, কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারগা জেলদা থল্লক্লিবা পি ঐচ লন্ধোনিগী মচানুপা রোবিনসন (৩২)গী বেল হিয়রিংসু মখা তানা চথুখিনবা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা মতম লেপখ্রে। মহাক্কী মখা তাবা বেল হিয়রিং অদু মথং থাগী ১১দা পাঙথোক্লগনি।

# সৈত্যভমা হাৎখিবা কেসকী ৱায়েলগী...

*লামায় ১গী মখা...* (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুংদা কোর্ট অসিনা কেস অসি ট্রাইয়েল কোর্ট ওইরিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরকখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা সেসন্স ট্রাইয়েল নম্বর ২৩/৯০ ওফ ২০১৩ লৌখৎতুনা ৱায়েল চথুরকখিবনি। কেস অসিগী চার্জশীটতা পুলিসকী মায়কৈদগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ৩৬কী মমিং পল্লকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মেন একুজ ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম বিজু এলিয়স হোলেন্দ্রো মৈতৈ, থেসস এলিয়স জেমস বোন্দ অমসুং জিবনগী মমিং পল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেস ৱায়েলদা মসিগী মেন একুজ ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ুম বিজুগী মায়কৈদা এদভোকেট নোংমাইথেম সশিকান্তনা লেপ্লিবনি।

# রেখা মীহাৎ : দিজমণিগী কেস ট্রান্সফর...

*লামায় ১গী মখা...* জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরকখিবনি। লোয়ননা মপুরোইবা দিজমণিবু ঙসি ট্রাইয়ল কোর্ট অসিদা জেলদগী পুথোরক্লবা খঙহনখিবনি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ঙসি দিজমনিবু জেলদগী পুরক্লগা ক্রিমিনেল ট্রাইয়ল কোর্ট অসিদা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৫ রোম তারকপদা জেল ওথোরিটিনা পুথোরকখি।

সেসন্স কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসরনা দিজমনিদা কেস অসি লৈকাইদা থোকপা থৌদোক্কী কেস ওইবনা মহাক্লা পায়বা নুংঙাইত্রে, ট্রান্সফর তৌনবা থবক লৌখৎলগে হায়খি। কোর্টকী ৱাফমসিদা মপুরোইবা দিজমণি মশামক্লসু অয়াবা পীখি।

পনবা য়াবদি, মশামক্কী লোয়নবী হাৎলমখিবা থৌদোক অদুগী কেসকা মরী লৈননা মহাক মে ৩১গী নুংথিলদা পুলিসনা ফাখিবনি। পুলিস কষ্টদিদা নুমীৎ ১০নি থল্লম্লগা ঙসি ফাওবদনা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লক্লিবনি।

পনবা য়াবদি, মহাক্লা বেল পীবীয়ু হায়জরকখিবা এপ্লিকেসনশিং সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অমুক হায়জরক্তুনা হৌজিক হিয়রিং চথুদুনা লাক্লিবনি।

# ফেক এনকাউন্টর কেস: ওর্শোনজিৎ...

*লামায় ১গী মখা...* ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেল্লগা থিজিন্নবা পীরকখিবা ওর্দরদা য়াওবদগী ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা কেস অনী রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিল্লকখিবনি।

সী বি আইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসশিং অদুদি আর সী- ১৬ (এস)/২০১৮/এস সী-৩/ ন্যু দিল্লি (৩০/১/২০১৮) অমসুং আর সী- দি এস টি/ ২০১৮/এস/০০৩৩ (৩১/৭/২০১৮)নি। কেসশিং অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩০৭/৩০২/৩৪ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন- ২৪ (১-সী)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। কেসশিং অসিদা সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও)শিংনা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি)শিং ওইরিবা ভি পি এস মান অমসুং দি এস চাওহাননি।

সী বি আইনা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা হৌখিবা মে ২৩দা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলকখিবনি।

কোর্টনা চার্জশীট অদু লৌখৎলগা চেন্নরিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিং অসিগী মথক্তা কোগনাইজেন্স লৌখিবনি। অদুগা পর্সনেলশিং অসিবু কোর্ট অসিদা মশা-মশা লাক্লবা সম্মোন নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবনি। কোর্টকী নোটিসশিং অসিগী মতুংইন্না পর্সনেলশিং অসি ঙসি মশা লাকখিবগা লোয়ননা মখোয়দা বেল পীখিবনি। সী বি আইগী চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা কোর্ট অসিনা লৌখৎখিবা কেসকী নম্বরনা ক্রিমিনেল (পি)- ৪৮ ওফ ২০১৯নি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক থোকখিবা নুমীৎ অদুগী অয়ুক্তা ময়ূমদগী হূই পীজনবা এঞ্জাং অথোংবা লৈরুনি হায়দুনা গাড়ী মচা অমা তোংলগা থোকখিবা ওর্শোনজিৎপু কম্মান্দো টিম অসিনা এম জি এভেন্যুগী ও কে হোটেল মমাংদগী ফারগা রক্সক (বুল্লেট প্রুফ) জিপসিদা হাপ্লগা পুখিবনি হায়রি। অদুগা থৌদোক থোকফম অদুদা খূৎথোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক্তুগী মতাংদা কম্মান্দো টিম অদুবু লুচিংখিবা হবিল্দার এল প্রেমকুমারনা রিপোর্ট তৌরকপদগী লমশাং পুলিস ষ্টেসননা কেস ১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ১৪(৩)২০১০ অন্দর সেক্সন ৩০৭ আই পি সী, ২৫ (১-সী) আমর্স এক্টনি। অদুগা থৌদোক থোকফমদগী পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ১, নোংমৈসিগী লাইভ রাউন্দ ২, এম্পটি কেস১, মোবাইল ফোন (নোকিয়া) ১, এয়রসেল সিম নং: ৮০১৪৫০৩৯৬১, হোন্দা এক্টিভা (সিলভর মচু) এম এন-০১/এম ৮৩৮২ রিকোভর তৌই হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

# দিমেন্সিয়ানা নারবশিংগীদমক অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়নবিবা অমদি নাইতোম তাহন্দবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহন্নবগীদমক দে ক্যের হাংবিদুনা মখোয়বু শেন্নবিবা-য়েংশিনবিবা, মখোয় মশেল লোয়নহন্দুনা নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা অদু ফাওহন্দনবা হোৎনবা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ৱর্ল্দ অলজাইমর মন্থকা মরী লৈননা উনবা অমদা জে নিমসকী সাইক্যাট্রি দিপার্টমেন্টকী ডা. জানেট কোন্থৌজমনা হায়খি, জেনিমসকী সাইক্যাট্রি ও পি দিদা লায়েংবা লাকপা অহলশিংগী চাদা ৪০ রোমদি দিমেন্সিয়াগী লাইওং উবা থেংনৈ। অলজাইমরগী লায়না অসি দিমেন্সিয়াগী মনুং চল্লি। দিমেন্সিয়া নারবশিংগী মনুংদা চাদা ৬০ রোমদি অলজাইমর ওইনা নাই। অতোপ্পা খ্বাইদগী নাগনবা লায়না মখল অদুনা ভাস্কুলর দিমেন্সিয়ানি।

দিমেন্সিয়াগী লাইওংশিংদি নীংশিং ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থরকপা, লোন কাউশিল্লকপা, হান্না খঙবা পোৎশকশিংগী মমিং হায়বা ঙল্লক্তবা, ভিজ্যুএল ইমাজরি মাঙশিল্লকপনা চৎখিবা লম্বীগী মায়কৈ ঙাওবা, মতম কাউরকপা, হেঞ্জিল্লক্লগা মী মশক খঙলক্তবা, করিগুম্বদা ইমোসনেল প্রোব্লেম লাকপা য়াই। দিমেন্সিয়গী লায়না অসি দিপ্রেসনগা লোয়নগল্লি। দিপ্রেসন নাবদসু দিমেন্সিয়াগা য়াম্না মান্নবা লাইওং য়াওই। মরু ওইনা দিপ্রেসন নাবা অহলদা নীংশিংবগী পাঙ্গল য়াম্না মাঙদ্রগসু নীংশিংনিংদবা, নিংশিংনিংবগী পাঙ্গল লৈতবনচিংবা য়াওবনা নীংশিংবা ঙমগদবা ৱাফম অমবুসু নিংশিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা খঙদে হায়দুনা তোকথোকপগী থৌওং য়াওই। মসিবু স্যুদো দিমেন্সিয়া হায়না খঙনৈ।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মালেমগী ওইনা দিমেন্সিয়া নাবগী মশীং হেনগৎলক্লি। সেকেন্দ ৩ খুদিংগী দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওই অমমম আইদেন্টিফাই তৌই। ৱর্ল্দ হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেম পূম্বগী ওইনা দিমেন্সিয়া নারবা মীওইশিং লায়েংবা অমদি মখোয়বু শেন্নবিবদা চহী অমগী য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৪৬ চঙই। হায়রিবা শেনফম অসি কুমজা ২০৫০ দদি য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১৩৫ য়ৌরগনি হায়না পানরি।

দিমেন্সিয়া হায়বা লায়না অসি য়াম্না থুনা খঙদোকপা অমদি থুনা লায়েংবিবা মথৌ তাই। অহল ওইরগা অঙাং ওম্বোরকই হায়নরিবসি অহল ওইরবা মীওইশিং চেকশিন্না শেন্নবিবা অদুক্কী মতীক মথৌ তাই হায়বনি। দিমেন্সিয়া নারবা মীওইশিংদনা অমুক্কা হেন্না চেকশিন্না শেন্নবীবগী মথৌ তাই। কাউগনবা, মাঙ্গনবনচিংবগী মথক্তা ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা হায়বদি ৱাখল নুংঙাইতবা, শাউগনবা, হেলুসিনেসন তৌরকপা, তূম্বা য়ারক্তবগা লোয়ননা নুমিদাংদা কোয়চৎ চৎপা য়াওরকই। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু নুংশিরক্তবগা লোয়ননা য়েংশিনবিবা ৱাৎলকপনা দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওই অদুদা ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়নাশিং হায়বদি দিপ্রেসনসু নারকপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈ।

দিমেন্সিয়া লায়না লায়েংবদা হীদাক-লাংথক্লা লৌরিবা থৌদাং অসিদি য়াম্না থুনা অনাবা হেঞ্জিল্লকপা অদু খরা তপথহন্নবা শীনবনি। দিমেন্সিয়া নারবা মীওই অদুবু মাইপুননা শেন্নবীবা মীওই অদুবুসু অমুক নীংথিনা য়েংশিনবিবা চঙই। মরমদি লায়না অসিনা নারবা মীওই অমা শেন্নবা হায়বা অসি অরায়বা থবক নত্তে।

অনাবা মীওই অদুবু লোয়নবিবা মতমদা মাগী হৌখ্রবা মতমগী ৱারী শাবিবা, মাগী মতমগী ইশৈ-নোংমাই তাহনবনা মাগী হান্নগী কাউখ্রবা ৱারীশিং অমুক নিংশিংহল্লকপদা মতেং পাংবা য়াই। মশাগী দাইরি মেন্টেন তৌহনবা, তূম্বা চাবা, অমদি থবক থৌরম খুদিংমক মতম নাইনা তৌহনবিবা অসিসু কান্নগনি।

লায়না অসি নারকপগী ওইথোকপা য়াবা মরমশিংদি পারি-পুরিদগী ওইবসু য়াই, ইনভাইরনমেন্টনা ওইবসু য়াই, হায়বদি অয়াম্বদা মথন্তা লৈহনবা, মী উন্নহন্দবা, মচা-মশুনা ফজনা য়েংশিনবিদবা অসিনচিংবনি। ন্যুট্রিসনেল ফেক্টরদগী ওইরকপসু য়াই। মতম শাংনা মচি ওইবা চীঞ্জাকচাবা ৱাৎপনসু দিমেন্সিয়া নাবদা মতেং পাংশিনবা য়াই। চুরুট থকপা, য়ু য়াম্না থকপনসু দিমেন্সিয়া থুনা লাকল্লি।

লাইরিক-লাইশু খরা ৱাংনা তল্লকপা মীওইশিংদদি দিমেন্সিয়া নাবগী চাং খরা হন্থে। মসি লাইরিক হেন্না পারকপা, ব্রেন হেন্না শীজিন্নরকপা, লাইরিক পাবদা কন্সেন্ট্রেসন তৌবগী হৈনবী লৈরকপনা ৱাখল খন্থবা ঙম্বা, অনৌবা ইনফোর্মেসনশিং তম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনবননি হায়বগী খুদম ফংবা ঙল্লে।

লায়না অসি চহী তাঙ্কক খুদিংমক্কী মীওইশিংদা থোকপা য়াই অদুবু অহলশিংদনা হেন্না নাগল্লি। নুপা-নুপী ওইনা য়েংনবদা নুপীদনা খরা হেন্না নাগল্লি। মসিগী মরমদি নুপীনা পুন্সি শাংবা হেনবনা অহল ওইরবা নুপীগী মশীংনা নুপাদগী হেল্লি। মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা দিমেন্সিয়া নাবগী চাং অসি ৱাংই। অদুবু লায়েংবা লাকপদদি লায়না অদু য়াম্না হেঞ্জিল্লক্লগা লাকপনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। ইকায়বদগী হায়দোক্তবা অনাবা ময়াম অমসু লৈ হায়না ডা. জানেট কোন্থৌজমনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# এ সী ৬০মক্তা টুরিষ্ট স্পোট অমমম্...

*লামায় ১গী মখা...* মখাদা ইম্ফালদগী তোঙান-তোঙানবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অতোপ্পা হেলিকোপ্টর সর্ভিস অমা হৌদোক্লগনি। হৌখিবা চহী অনী মখায়গী মনুংদা লৈঙাক্লা মশক থোকপা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা পায়খৎপা লোইখ্রবা অমসুং পায়খৎলক্কদবা প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা মরী লৈনবা দি সীশিংনা মীয়ামগা চাং নাইনা উনদুনা ৱারী-ৱাতায় শানগদবনি।

হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লুপা ক্রোর ৯০গী অহেনবা শেনফম পীথরক্লে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌরাং অসিগী মখাদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া পায়খৎলে। অতৈ অতোপ্পা চাউখৎ থৌরাং কয়াসু পায়খৎপগা লোয়ননা দোক্টর অমদি ওজাশিংগী ট্রাঞ্জিট একোমোদেসন অমসুং একলাভ্য রেসিদেন্সিয়ল স্কুলনচিংবা কয়া শেমগৎপা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মথৌ তাবা ইমুংশিংদা সী এম ঐচ টি, সী এম এস টি অমদি অয়ুশমান ভারতকী খূদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু লোয়ননা তমেংলোং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা খঙহনখি।

চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসন মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়না খুঞ্জাশিংদা আপিল তৌরদুনা মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্না ঝুম কল্টিভেসন নৎতবা অতোপ্পা পাম্বে অমা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে।

সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম; দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো; ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এস রাজেন; প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রো; মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱর্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরমেন ঐচ দিঙ্গো; টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন ডা. সাপম রঞ্জন; য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ, টি ঐচ সত্যব্রতা; মণিপুর ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ভাইস চ্যেরপর্সন অদিম পামৈ; চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু অমদি দি জি পি, এল এম খৌতেসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা তামৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাইনা প্রিসাইদ তৌখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা ষ্টোলশিং য়েংখিবগা লোয়ননা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স শাগদবা মফমসু য়েংশিনখি।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ঙসি অয়ুক নোনেদা থুংলুবা মতমদা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না নাৎকী জগোই অমদি ঈশৈ শক্তুনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মখল-মথেল কয়াগী নাৎকী থৌরম কয়াসু উৎখি।

GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 23/09/2019
Valid From: 29/07/2019
***Stk : 306***
***19 Kg Available***
(First Come First Serve)

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg. Stk : 496**
**19 kg Commercial Stk : 151**
**5 kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery

**LAMBODARA INDANE**
**Booking Uptodate**
Timing: 08.00 am to 10.30 am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto: 23/08/2019
Valid From: 21/08/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 11/09/2019
Valid From: 06/09/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও থৌনি ইলাৎকী পাউজেল**

কংলৈসিদা লৈরিবা নমু তাইবঙ পন্থৌ শকপা-পলেম শকপী ইচা নিংঙোল পিবা পুম্নমক্তা পাউজেঞ্জরি - "২৫শুবা, পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও- থৌনি ইলাৎ" থৌগল ফংমিন্নসি কংলৈ অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা। মৈতৈ লাইনিং লাইশোলদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপা হলাও থৌনি ইলাৎনি। মেরাগী নোংমা পানবা, নোংমাইজিং নুমিৎ, চৈচৎ ২৯-০৯-২০১৯দগী মেরাগী তরানি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিৎ, চৈচৎ ০৮-১০-২০১৯ ফাওবা নুমিৎ ১০ চূপ্না পাঙথোকপা পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও থৌনি ইলাৎনি।

মেরাগী নোংমা পানবা মঙাং পুংজা ১০.৩০ তাবদা লাইনিং-লাইশোলগা লোয়ননা সলাই ৭কী ফিরাল য়ুংখৎচগনি। নমু তাইবঙ পুম্নমক্তা পীনবিগনি, শেনকোক শেনয়াই শেন্নিং, শিদয়াই-নাদয়াই, পুন্সি চেংজেন্নচিংবা। নিমিন্নসি চরৈ ফিগাও শাদুনা নুংঙাই-য়াইফবা মেরা নোংমা পানবগী শেনকোক-শেনয়াই। মেরাগী ৮নি পানবগী মমাঙ পুংজা ১০ তাবদা ক্বাকলৈ-খোঙ্গুলমেল্লে, সনালৈ, হৈনিং, হৈক্রু, হৈতুপ কত্তুনা য়াইফ থৌজাল নিমিন্নসি, ইশা-ইশাগী অনীংবা অপান্বা থুংনবা নিজহৌসি।

শিনপাংফমদি - নোংপোক চিংঙু থোঙ, মৈতৈ লোইকোল, থলো শিপি লোক, শেলোই লমাইচিং, ইম্ফাল নোংপোক্তনি।

থৌপু - নোংপোক চিংঙু থোঙ শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা লূপ থলো শিপি লোক, শেলোই লমাইচিং, ইম্ফাল নোংপোক।

HL-P/4344/27